# ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি : থাওনা ফোর্স মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা চথ্বরকখিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর ২৩ ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থাও থাংমৈবন্দনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি লৌবা ঙমখ্রে।




ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা থাও অমসুং ফোর্সকী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস থাওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। থাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা রোবেনী উশম অমসুং ঙান্থোই সলামনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। রোবেনী উশম বোল ২২ মায়োক্লবদা রন ১৭ লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুগা ঙান্থোই সলামনা বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ৪ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মেটচ অসিগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা চাংচৎতা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা এক্সট্রা রন মশীং য়াম্না ফংবা ঙমখিবদগী অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা পূন্না রন ১৫৬ লৌবা ঙমখি।

ফোর্সনা টার্গেট রন ১৫৭ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা মেহনাজ অমসুং বর্কাটুন খানমনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবী মেহনাজ বোল ১২ মায়োক্লবদা রন ৪ খক লৌরম্লগা কিরনবালা চনুগী বোলদা ক্রিটি মোইরাংথেমনা ওক্লুনা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন বর্কাটুননা বোল ৩৫ মায়োক্লবদা রন ২০ লৌরবা মতুং থোইথোইবী অহোংশাংবমগী বোলদা সেটর্নিনা ওক্লুনা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোক্লককখিবা বেটসমেন অমত্তনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা মখল-মখা কয়াগী এটেকশিং মায়োক্লন্দুনা রন লৌনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৬৮ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু থাওনা রন ৮৮দা মায় পাক্লুনা চথুরকখিবা ৱান দে ট্রোফি অসিগী মপূ ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা থাওগী থোইথোইবীনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরগী টাইটলনা শেদোগী প্রিয়াঙ্কি হংলেমনা লৌখি। মহাক্লা ইন্নিংস ৫দা ৱিকেট ১৭ লৌবা ঙমখি। হায়েষ্ট রন স্কোররগী টাইটলনা শেদোগী কেব্রিয়া সাপমনা লৌখি। মহাক্লা ইন্নিংস ৫দা রন ৩১৯ লৌরমখি। অমরোমদা, ৱিন্নর টিম থাও থাংমৈবন্দ অমসুং রন্নর্স অপ তাখ্রবা টিম ফোর্সতা শেলগী মনা ওইনা মথংশিংনা লুপা লিশিং ৫০ অমদি লিশিং ৩০ অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপ : মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ১৩ ফংদুনা মাঙজিল থানা লৈরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): শরিৎ-শরাক ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা শরিৎ-শরাক স্বাদেশি মার্সিএল আর্ট এসোসিএশন হরয়ানানা য়ূম্থু ওইরগা ঙরাংদগী হৌদোকখিবা নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা অনীরকশুবা নেশনল শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপ ২০২৫ গী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা পূন্না গোল্ড মেদল ১৩ ফংলগা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা লৈবা ঙম্লি হায়রি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা শরিৎ-শরাক ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি এল রাজুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি সব-জুনিয়র বোইজগী অহানবা চাইনবদা আই বোমসন (কেজি ৪০ মখা), এন মালেমঙানবা মৈতৈ (কেজি ৪৫ মখা), এম অবিন্দর (কেজি ৫০ মখা), পি লেম্বা মৈতৈ (কেজি ৫০ মথক)নি।

সব-জুনিয়র গর্লসকী চাইনবা অনীশুবদা এ জেরিনা (কেজি ৪০ মখা), এল রোশলিন চনু (কেজি ৪৫ মখা), এল থোইস্না চনু (কেজি ৫০ মখা), লাংলেনম্না চনু এল (কেজি ৫০ মথক)নি। অদুগা জুনিয়র গর্লসকী চাইনবা অহানবদা গোল্ড লৌখ্রবশিংনা দল্লিয়ু অলপনা (কেজি ৪৫ মখা), এস রোশনী (কেজি ৫০ মখা), এল রোশনী (কেজি ৫৫ মখা), ওরোমা (কেজি ৬০ মখা) অমসুং ফিজম গ্রেসী চনু (কেজি ৬০ মথক)নি।


পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ১৩দগী লাকপা নুপামচা শান্নরোয় ১২০, নুপীমচা শান্নরোয় ৯৮ অমদি ওফিসল ৪৮ পূন্না মীওই ২৬৬না শরুক য়ারি।

# ৱাবগাইনা ৱাঙ্গোই থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): এল এস কে এনা শীন্দুনা চথুরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহী প্লেয়র্স মেমোরিএল কেন্দ্রৱাইজ লীগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাবগাই কেন্দ্র (ৱালিদা)না ৱাঙ্গোই কেন্দ্র (ৱাই ঈ ও) মায়থীবা পীরমখিবনি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাবগাইনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ৯-৪দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ৭-৭ ফংখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু ৱাবগাইনা পাঞ্জল ১৬-১১দা মায় পাকখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 1450

**IM Samuel-Timotei Ghimpu (2441) - Andreas Basilius Gikas (2113)**
**25th ch-EUR Indiv 2025 Eforie Nord ROU, 2025.03.26**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nc6 |
| 5.Nc3 Qc7 | 6.a3 a6 | 7.Be3 d6 | 8.f4 Nf6 |
| 9.Qf3 Be7 | 10.O-O-O O-O | 11.Nxc6 Qxc6 | 12.g4 b5 |
| 13.g5 Nd7 | 14.Rg1 Bb7 | 15.f5 exf5 | 16.Nd5 Rfe8 |
| 17.exf5 Rac8 | 18.c3 Bf8 | 19.Qh3 Kh8 | 20.Bg2 Qc4 |
| 21.Rd4 Bxd5 | 22.Bxd5 Qe2 | 23. … | |

**QUESTION : White to checkmate**

**Puzzle 1449 Solution :**

**32. Qe7** Mating net The white queen deflects Black's rook away from protecting the square d8. **Rxe7**

32...Qa1+ 33.Kxa1 Rxe7 34.Rd8#
32...Qb2+ 33.Kxb2 Rxe7 34.Rd8#
32...Qd5 33.Qc7#
32...Qxh2 33.Qd8+ Rxd8 34.Rxd8#
32...Rh8 33.Rd8+ Rxd8 34.Qxd8#

**33. Rd8#** Opera mate
**1-0**

# আই লীগ ২ : ট্রাওনা সেট টিরুর মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা আই লীগ ২গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও)না সেট টিরুর মায়থীবা পীখ্রে।


ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী হৌরগা কেরলাদা লৈবা পায়ানাদ ষ্টেদিয়মদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা ট্রাওগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ১২শুবা মিনটতা মণিপুরগী মোচা ইরোমনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ইকান কান্নদনা ১৯শুবা মিনটতা ফিজম সনাথোই মীতৈনা অনীশুবা পাঞ্জল অদুগা ২৩শুবা মিনটতা মোইরাংথেম দিয়ানা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। সেট টিরুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হনে দাকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঙমখিদবদগী ট্রাওনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা সেট টিরুরগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবগা লোয়ননা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২দগী হেন্না হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ট্রাওনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখিবনি।

TODAY TODAY
NORTH EASTERN RE-ORGANIZING CULTURAL ASSOCIATION FOOTBALL CLUB
(NEROCA FC)
Tickets Rate ₹ 10,000/-
HOUSIE BUMPER DRAW - 2025
in aid of I-League 2
Pliz Contact : 7005620842 | 7005205874
SHANAROISINGBU NUNGSHIBIDUNA 3.PM MAMANGDA REPORT TOUBINABA HAIJARI
1st HOUSEFULL : ₹ 10 Lakhs
2nd HOUSEFULL : ₹ 5 Lakhs
Quick Five : ₹ 3,00,000/-
1st Line : ₹ 3,00,000/-
2nd Line : ₹ 3,00,000/-
3rd Line : ₹ 3,00,000/-
Star of NEROCA : ₹ 3,00,000/-
MINI BUMPER
TICKET RATE ₹ 1000/-
1ST HOUSEFULL HONDA ACTIVA 2025

2ND HOUSEFULL HONDA ACTIVA 2025

All Lines, Star & Quick Five ₹ 5000/- (each)
Date : 20th April, 2025 (Sunday) | Venue : NEROCA Ground, Sangakpham | Time:4.00 p.m (Sharp)
HL-P/1734/20



Title : Soniya & Henthoibi
By : Thadoi Wairokpam
Class : II Roll No. : 20 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol, Kakwa


Title : Elephant
By : Barnita Meinam
Class : II Roll No. : 6 Sec. : A
School : Little Flower School


Title : A War Tank
By : Bhevind Lairenjam
Class : I Roll No. : 32 Sec : Tulip
School : R.M. School


Title : An Indian Woman
By : Dronald Leitanthem
Class: III Roll No. : 7 Sec. : Marigold
School : SL Arena of Learning


Title : Watermelon House
By : Sagolsem Jhansi
Class : II Roll No. : 48 Sec. : Tulip
School : SL Arena of Learning


Title : Meitei Ningol
By : Tensubam Jotison Singh
Class : IV Roll No. : 13 Sec : A
School : Youngster Dynamic Eng. School, Kaina Road


Title : Clown
By : Oinam Lanchenbi Devi
Class : IV Roll No. : 1 Sec. : B
School : Sainik Foundation School


Title : Rainbow
By : Oinam Malemnganbi Devi
Class : UKG Roll No. : 6 Sec. :
School : Kids High School



Title : Kakashi
By : Malemthoiba Yumkham
Class : I Roll No. : 41 Sec. : B
School : Tiny Tots' Unique School


Title : JCB Work
By : Mangal Tensubam
Class: KG Roll No. : 3 Sec. : A
School : Poiroukhongjil Govt. High School


Title : Lord Mahadev
By : Tensubam Prakit Singh
Class : IV Roll No. : 2 Sec. : A
School : Youngster Dynamic Eng. School, Kaina Road



Title : Unicorn
By : Takhellambam Ranjita
Class : II Roll No. : 31 Sec. : Daffodil
School : SL Arena of Learning


Title : Monkey D Luffy
By : Sara Ningombam
Class : IV Roll No. : 6 Sec : A
School : Eden Public School, Wangkhei


Title : Red Fort
By : Oinam Shadjit Sannamahi Sameirang Meitei
Class: IV Roll No. : 25 Sec. : B
School : St. Xavier's School, Moirang


Title : Temple
By : Shreyan Yumnam
Class : V Roll No. : 15 Sec. :
School : Irengbam High School


Title : Titan Speaker Man
By : Tamnganba Karam
Class : II Roll No. : 12 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol


Title : Anime Girl
By : Abujam Tomthilnganba Meitei
Class : IV Roll No. : 17 Sec. :
School : Modern Pangantabi High School


Title : Butterfly Sucking Nectar
By : Tristan Tonambam
Class : IV Roll No. : 25 Sec. :
School : Halleey English School


Title : Modern Woman
By : Wasima
Class : VIII Roll No. : 3 Sec. :
School : Haoreibi Awang Leikai Tera Makhong UPS


Title : Goku Ultra Instinct
By : Ch. Korou Khuman
Class : IV Roll No. : 58 Sec. :
School : RM School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com